# হুইয়েন লানপাউ

Refreshingly Reliable
The messenger of the masses


কাদা হেদ ওফিস অমদি য়ুম্নাম খুনৌগী মৈরা পায়বীনা য়ুম্নাম খুনৌ মখা লৈকায়দা চথখিবা দ্রাইবতা ফাগৎলকপা য়ু লিটর ১০ মীয়াম মাঙদা মৈ থাবা




দি আই পি আরগী ষ্টেট ইন্সটিট্যুট ওফ জর্নেলিজমনা শীন্দুনা সেনাপতি হেদক্বা-টরসতা পাঙথোকখিবা নুমিৎ ৭নিগী ন্যুজ রিপোর্টিংগী বেসিক কোর্স হৌদোকপা




বি জে পিগী লূচিংবা টি ঐচ জাদুমণিগী ওইনা খাঙবোক এ সীগী পোলিং ষ্টেসন ৩৫/৫ অমসুং ৩৫/৬কী ওইনা পাঙথোকখিবা বি জে পিগী বুথ লেবেল মিটিংগী শক্তম



শীজ ইন্সটিট্যুট ওফ কিদনি সাইন্স, ওকিং হোস্পিটালনা শীন্দুনা জাফু হোটেল, কোহিমাদা কিদনি ট্রান্সপ্লান্টেসনগী মতাংদা পাঙথোকপা কন্তিন্যুয়িং মেদিকেল এদ্যুকেসন প্রোগ্রাম




Vol. 40, Issue No.191 | লৈবাকপোকপা, মেরা ১০নি পানবা | অপুনবা লমায় মশিং ১২ | HUEIYEN LANPAO, | Tuesday, October 11, 2016, Imphal | www.hueiyenlanpao.com | RNI No. 40746/1978 | ₹ 4.50


### অ ঈং-অশাগী পাউ

| দিষ্ট্রিক্ট | খ্বাইদগী শাবা | খ্বাইদগী ঈংবা |
|---|---|---|
| বিষ্ণুপুর | এন এ °c | এন এ °c |
| চান্দেল | ৩৩.২৭ °c | ২৮.৮৮°c |
| সীসীপুর | ৩১.০৬ °c | ২১.০৬°c |
| ইম্ফাল | ৩১.৩২ °c | ২২.০৮°c |
| সেনাপতি | ২৮.৪৬ °c | ২০.২০°c |
| তমেংলোং | ৩২.৩২ °c | ১৯.৭৯°c |
| থৌবাল | ২৭.৬৪ °c | ২১.৪৬°c |
| উখ্রুল | ২০.৪৩ °c | ১৬.২৬°c |
| মণিপুর | ৩৩.২৭ °c | ১৬.২৬°c |

মণিপুরগী নোংজুগী চাং : ০.০৯ এম এম
নুমিৎ থোকপা : অয়ুক পুং ৫.১১
নুমিৎ তাবা : নুংথিল পুং ৪.৫১
দিরেক্টোরেট ওফ ইনভাইরোনমেন্ট,জি ও এম

## মিং লাউথোকখ্রে

ইম্ফাল, ওক্টোবর ১০ : মণিপুরী সাহিত্য পরিষদ মেঘালয়া (এম এস পি এম)না পীগদবা এৱার্দ ফংগদবশিংগী মিং লাউথোক্লে হায়না এম এস পি এমগী কনভিনরনা থাদোরকপা চেরোল অমনা হায়রি। চেরোল অসিনা হায়, এৱার্দ কম্মিটিনা কুমজা ২০১৬কী ওইনা এৱার্দ পীনবগীদমক খল্লবশিং অদুদি ডো. চোংথাম যামিনি দেৱী (সাহিত্য রত্ন), এস ঐচ খ্বাইরাকপম য়াইস্কুল (সাহিত্য ভূষণ), আর কে সনাহনবী চনু (কাব্য ভূষণ), উশম নির্জিৎ কুমার (সঙ্গীত ভূষণ), কৈশাম তোলেন (সাহিত্য সেবক)নি। এৱার্দশিং অসি থা অসিগী ২২ অমদি ২৩দা শিল্লোংদা পাঙথোক্কদবা এম এস পি এমগী চহীগী ওইবা কনফরেন্সতা য়েন্থোক্কনি হায়নসু চেরোল অদুনা মখা তারি।

## বন্দ চথরগনি

ইম্ফাল, ওক্টোবর ১০ : ইম্ফাল-জীরি লম্বীগী মক্রু এরিয়াদা কিলোমিটর ৪.৫ শাংবা লম্বী অসি শেম্বীদবগী মায়োক্তা হয়েং অহিং নোংয়াইদগী লম্বী অসিদা মতম কক্তনা বন্দ তৌরগনি হায়না রোংমৈ নাগা য়ুথ ওর্গনাইজেসনগী প্রসিদেন্ট সিঙল্লুং দাংমৈনা ফোঙদোকখ্রে। পাউমীশিংগা উনবদা মহাক্না হায়, লম্বী অসি শেম্নবা ওক্টোবর ৩দা চীফ মিনিষ্টর অমদি মরী লৈনবশিংদা মেমোরেন্দম পীশিন্দুনা ওক্টোবর ১০ ফাওবগী মনুংদা লম্বী শেম্বীনবা হায়জখিবা লৈখি। অদুবু লৈঙাক্না হন্না য়েংবীরক্ত্রবনিনা মীয়ামগী য়েংলগা তঙাইফদনা লম্বী অসি থিংজিল্লগনি হায়না মহাক্না মখা তাখি।

গ্যাসকী পাউ লামায় ৩দা ফংবিগনি

গ্যাস এজেন্সীশিংনা গ্যাস য়েনবগী পাউ ফোন নম্বর ৯৭৭৪৮০৩৩১০দা পীবিরকউ।

### HL POLL

Q : NH-37gi makru manakta oiriba lambigi fibam asi fagathanbada state leingakki thoudang leitabra?

POLL CLOSES AT MIDNIGHT

Yes ☐ No ☐

Vote thadanabagidamak www.hueiyenlanpao.com da visit toubiyu

NGARANG GI RESULT

Q : Harao kumhei yambana Manipurgi senmitlongi fibam henna fatchillaktabani haibasi yaningbra?

Yes 82% No 18%

### অস! লোইরেহে!

মসিনি সার, মীয়াম্না ইম্ফালগী পাউনা কৈথেল হায়নরিবদু...!



কৈথেল ওইরল্লোই, পার্কিং ওইরমনি!

# রিজার্ভেসনগী ৱাথোক্তা ট্রাইবেল মহৈরোয়শিং য়ুনিভর্সিটি থাদোকখ্রে

## অথুবগী ওইনা ঙসি এম য়ু একাদেমিক কাউন্সীলগী মীফম কৌখ্রে



ইম্ফাল, ওক্টোবর ১০ (ঐচএনএস): মণিপুর য়ুনিভর্সিটিগী থা অসিগী ৮দা ফমখিবা একাদেমিক কাউন্সীলগী মীফম্না মিং চনবা অমসুং থবক লৌবদা মতম খরগী ওইনা কুমজা ২০০৬কী রিজার্ভেসন পোলিসি চৎননবা লৌখিবা ৱারেপকী মায়োক্তা য়ুনিভর্সিটি অসিদা তম্লিবা ট্রাইবেল মহৈরোয়শিং ঙসিদগী য়ুনিভর্সিটি থাদোক্কুনা চৎনখ্রে।

মরক অসিদা, ওইরক্লিবা ফীভম অসি খন্নবা অথুবগী ওইনা একাদেমিক কাউন্সীলগী মীফম হয়েং নুংথিল পুং ১দা ফম্নবা রেজিষ্ট্রার ইন-চার্জ প্রো. এম শ্যামকিশোনা চেরোল অমা থোকখ্রে। মীফম অসিদা এম য়ুগী হৌজিক ওইরক্লিবা ফীভম অসি খন্নগনি হায়রি। মমাঙদা লৌখিবা একাদেমিক কাউন্সীলগী ৱারেপ অদুমক লেংহন্দবা ঙমগদ্রা হায়বা অচৌবা ৱাহং অমা হৌজিক থোরক্লে।

ঙসি নুংথিল পুং ২.৩০ রোম তাবদা এম য়ুদা তম্লিবা মহৈরোয়শিং য়ুনিভর্সিটি অসি থাদোক্লবা ফিরেপ লৌবগা লোয়ননা এম য়ুগী ওথো-রিটিদা খঙহল্লম্বা তৌদনা থোক্লরকখি। মহৈরোয় ২০০ রোম এম য়ু কেম্পস থাদোক্লবা মতুংদা খুমন লম্পাক য়ুথ হোষ্টেলদা লৈনবা ৱারেপ্লখ্রে।

মণিপুর য়ুনিভর্সিটি ট্রাইবেল ষ্টুদেন্টস য়ুনিয়ন (মুটসু)গা লোয়ননা মহৈরোয়শিংনা এম য়ুদগী থোরক্লবা মতাংদা পাউদম্লদুনা য়ুনিয়ন অসিগী এদভাইজর দাইপু কামসোননা হায়খি, লৈবাক অসিদা লৈরিবা কাঙলূপ খূদিংমক্কী মীওইশিং ঙাকপী শেনবীনবা পার্লিয়ামেন্টনা এক্ট কয়া পাস তৌই। ইন্দিয়ন কন্সটিট্যুসন্না য়াদুনা পার্লিয়ামেন্টনা শেম্লবা ট্রাইবেলশিংগী ওইবা কোটা সিষ্টেমবু মণিপুর লৈঙাক অমদি এম য়ু ওথোরিটিনা চৎনদবা হায়বসি লাইবক থিবনি।

হন্দক্কী একাদেমিক সেসন্দগী য়ু জি সীগী গাইদ লাইন মতুং ইন্না সেন্ট্রেল য়ুনিভর্সিটিশিংদা চৎনগদবা রিজার্ভেসন পোলিসি অদু ইন্টরিম ওইনা চৎনবা হৌনবা লেপখিবা অসিমক লমদম অসিদা খুন্দারিবা সেদ্যুল ট্রাইব খূদিংমক্কী মায়োক্তনি। থৌওং অসিগী মায়োক্তা ট্রাইবেল ষ্টুদেন্টস বোদিশিংনা হকচিন্না লৌবগা লোয়ননা এম য়ুদা লৈরিবা ট্রাইবেল মহৈরোয়শিং...

মখা লামায় ৩ কলম ২

# তুরেল ওল্লবা জিরি লম্বীগী শরুক খরা লৈঙাক্না শেম্লগনি

## টি দি সীনা ট্রকশিংদা নুঙ হাপ্লগা পুশিল্লনি : রঞ্জিৎ

ইম্ফাল, ওক্টোবর ১০ (ঐচএনএস): ইম্ফাল-জীরি লম্বী, নেসনল হায়ৱে-৩৭কী খ্বাইদগী ফত্তবা কিলোমিটর ২.৫ রোম শাংবা লম্বীগী শরুক অথুবদা ষ্টেট লৈঙাক্না শেল থাদরগা শেম্নবা ৱারেপ লৌখ্রে।



হীরম অসিগী মতাংদা ঙসি নুমিৎয়ুংবদা ৱার্কস মিনিষ্টর ক্ষেত্রিময়ুম বিরেননা চ্যের লৌদুনা অৱাংবা থাক্কী মীফম অমা ফমখ্রে। মীফম অদুদা এদিসনেল চীফ ইঞ্জিনিয়ার তেম্বা, ট্রান্সপোর্টর এন্দ দ্রাইভর কাউন্সীল (টি দি সী)গী প্রসিদেন্ট ঐচ রঞ্জিৎ অমদি অতৈ মশক নাইবা মীওই কয়ামরুম শরুক য়াখি।

লম্বী অসিগী ফীভম খ্বাইদগী থিনা শোক্লিবা মক্রু মনাক্কী কিলোমিটর ২.৫ রোম শাংবা মফম অসি বি আর টি এফ ঙাইরগদি তঙাইফদনা চঙবা পোৎলমশিং পুশিল্লকপদা খুদোংচাদবা মায়োক্লুগদৌরিবশিং অসি য়েংলগা ষ্টেটতগী অপীকপা শেনফম খরা থাদবা লৈঙাক্না য়ারে হায়না মিনিষ্টরনা ফোঙদোকখি হায়রি।

মীফম অদু পাঙথোক্লবা মতুংদা পাউমীশিংগা উনবদা ট্রান্সপোর্টর এন্দ দ্রাইভর কাউন্সীলগী প্রসিদেন্ট ঐচ রঞ্জিৎনা হায়খি, ৱার্ক্স দিপার্টমেন্টকী ওফিসলশিং অমদি টি দি সীগী মীহুৎশিং য়াওনা থা অসিগী ৮ দা ইম্ফাল-জিরি লম্বীগী ফীভম শোক্লবা মফমশিং হকথেংননা য়েংশিনখি। য়েংশিনখিবা অদুদা ইম্ফাল-জিরি লম্বীগী মক্রু থোংগী নাক-য়েৎতা লম্বীদা তুরেল শানা ফীভম শোক্লা লৈরিবা মওংশিং য়েংখি। লম্বীগী ফীভমশিংগী মতাংদা ঙসিগী মীফমনা কুপ্না খন্নখি। ফীভম শোক্লিবা মফমশিং অসি লৈঙাক্না শেম্লগনি হায়বগী থাজবা পীরক্লে। লম্বী শেম্বগী থবক হৌগদৌরি। লম্বী অসি নুঙনচিংবা নীংথিনা থাদুনা গাড়ী চৎপা য়াবা মওংদা শেমগদবনি। কোয়লাসনচিংবা থাবগী থাক অদু য়ৌনা শেম্বদি বি আর ওনা পায়খৎলক্কদবনি।

গাড়ী চৎপা য়াবা ফীভমদা শেম্নবগীদমক টি দি সীগী মায়কৈদগীসু থৌদাং কয়া য়াগনি। ইম্ফাললোমদগী ট্রকশিংদা নুঙ পুশিল্লগনি। হয়েংদগী হৌনা লাংজিং পার্কি মনাক্তগী নুঙ কল্লেক্সন তৌবা গাড়ীশিং শেম-শাবা হৌরগনি। নুমীৎ হুম্নীরোম নুঙ খোমজিন্দুনা গাড়ীদা হাপ্লগা ইম্ফাল-জিরি লম্বীগী ফীভম শোক্লবা মফম অদুদা পুশিন্দুনা থাগনি। লম্বী শেম্বগী থবক থৌরমশিং অসি ৱার্ক্স দিপার্টমেন্টনা পায়খৎকদবনি। লম্বী ময়ায়দা তুরেল ওনবগী মওং লৈরিবা মফম অদু নুঙ থাদুনা ...

মখা লামায় ৩ কলম ২

# মোবাইল এপ্লিকেসন শেমগৎনবা মীতৈ মচা অমা দোলর লীশিং ৪০গী গ্রান্ট ফংখ্রে



ইম্ফাল, ওক্টোবর ১০ (ঐচএনএস): সিঙ্গপোরদা বেজ তৌবা জোবসেঞ্জ হায়না মিংথোনবা কম্পেনি অমগী ফাউন্দর ওইরিবা মণিপুরী মচা মোনিশ করামদা মোবাইল এপ্লিকেসন দিভলপ তৌনবগীদমক ফেসবুকনা গ্রান্ট ওইনা দোলর লীশিং ৪০ পীরকখ্রে।

জোবসেঞ্জগী ফাউন্দর ওইরিবা মোনিশ করামনা ফোঙদোকখিবদা, ফেসবুকতগী গ্রান্ট ওইনা পীরক্লিবা দোলর লীশিং ৪০ অসি মোবাইল এপ্লিকেসন শেমগৎনবগীদমকনি। অমাজোন এ দব্লিয়ু এস সার্ভর ইনফ্রাষ্ট্রকচর শেমগৎপগী থবক্তসু শীজিন্নগনি। জোবসেঞ্জনা মোবাইল এপ্লিকেসনগী হীরমশিংদা চঙশিল্লি। মোবাইল এপ্লিকেসন অসি তুংদা য়াম্না কান্নরক্কদবা মরম্না মসি দিভলপ তৌনবগীদমক খল্লকখিবনি।

মোনিশ করাম মমাঙদা নেসনল য়ুনিভর্সিটি ওফ সিঙ্গপোরদা এম বি এ তম্লিঙৈ মতমদা ওন্ট্রাপিন্যুরশিপ এৱার্দ ফংখ্রবা মীওইনি। নেসনল য়ুনিভর্সিটি ওফ সিঙ্গপোরদা মোনিশ করাম্না এম বি এ তম্লিঙৈ মতমদা তৌখিবা থবক থৌরম কয়ানা ওন্ট্রাপিন্যুরশিপ এৱার্দ অদু ফংখিবনি। মদুগী শেনফম অদুনা মোনিশ করাম্না রিক্রুটসেঞ্জ কৌবা সোফটৱায়র প্রদক্ট অমা শেমগৎখি। সোফটৱায়র প্রদক্ট অদু সিঙ্গপোরগী কম্পেনি অমদা য়োনখি। রিক্রুটসেঞ্জ কৌবা সোফট-ৱায়র প্রদক্ট অদু মোনিশ করাম্না মপুংফানা শেমগৎলবা মতুংদা কোন্না সিঙ্গপোরগী...

মখা লামায় ৩ কলম ৪

# আর টি আই এক্ট লান্না শীজিন্নবা ফত্তে : প্রেসো সিমরে

ইম্ফাল, ওক্তোবর ১০(ঐচএনএস): থা অসিগী ৫ দগী হৌরকখিবা রাইট টু ইনফোর্মেসন এক্ট (আর টি আই)গী চয়োল থৌরম ঙসি ইম্ফালগী জি এম হোলদা দেপ্যুটি স্পীকর এম কে প্রেসো সিমরেনা অথোয়বা মীথুং ওইদুনা লোয়শিনখ্রে।




লোয়শিনবগী থৌরমদুদা হিল এরিয়া কম্মিটিগী ভাইস চ্যেয়রমেন জেদ কিখোনবৌ ন্যুমাইনা থৌরম মপু অমদি ষ্টেট চীফ ইনফোর্মেসন কম্মিস্নর টিঐচ ইবোবীনা গেষ্ট ওফ ওনর ওইখি। চয়োল থৌরমগী মনুং চন্না দি এম কোলেজগী মহৈরোয়শিংদসু মনা-মথুম য়েন্থোকখি। চাংদম্নবা অদুদা মোর্দন কোলেজ, এন জি কোলেজ অমদি দি এম কোলেজ ওফ কম্মর্সনা মথংশিংনা অহানবা, অনীশুবা অমসুং অহুমশুবা তাখি। এম বি কোলেজ অমদি কে এম ব্লুমিং হায়র সেকেন্দরি স্কুলনা কন্সোলেসনগী মনা ফংখি।

লোয়শিনবগী থৌরমদুদা চীফ গেষ্ট ওইখিবা এম কে প্রেসো সিমরেনা হায়, আর টি আই এক্ট অসি লৈঙাক পায়রিবা অমদি মীচম মীয়াম অনীগী মরক্তা ফাওদোক ফাওজিন তৌনরিবা থোং অমনি। অসিগুম্বা মরুওইখ্রবা থৌরমসি মীওই খরনা অরানবা পান্থৈদা শীজিন্নবা য়াওরিবসি লাইবক থিবনি হায়না পল্লদুনা থৌওংসি থিংনবা হোৎনসি হায়খি।

মহাক্না হায়, আর টি আই অসি মীয়ামগী অফবা খুৎলায় অমা ওইজরবসু মণিপুরগী মীওই তঙ্খাই অমরোমদি মসিগী মরমদা ময়েক শেংনা খঙবা ঙমদ্রি। ইন্দিয়ন পার্লিয়ামেন্টগী মীফমনা কুমজা ২০০২ দা এক্ট অসি পাস তৌদ্রিঙৈ মমাংদা য়ুনাইটেদ জেনরেল এসেমব্লীনা মালেমগী মীয়ামশিংবু মশাগী ফন্দামেন্টেল রাইটকী মনুংচন্না ফ্রীদম ওফ এক্সপ্রেসন মপুংফানা চৎনহন্নবা য়ুনিভর্সেল দিক্লারেসন ওফ হ্যুমেন ...

মখা লামায় ৩ কলম ৪

# ইরোম শর্মিলা চনুগী অনৌবা পোলিটিকেল পার্টি অমা শেম্লগনি

ইম্ফাল, ওক্টোবর ১০ (ঐচএনএস): অফস্পা লৌথোক্লবা দিমান্দ তৌরদুনা চরা হেনবগী খোঙজং চঙশিল্লম্বদগী পোলিটিক্সতা খোঙ-দারগনি হায়না লাউথোকখিবা ইরোম শর্মিলা চনুগী পোলিটিকেল পার্টি অমা শেম্লগনি অমসুং পার্টি অসি শেম্লে হায়বদু থা অসিগী ১৮দা লাউথোক্লগনি হায়না টিম শর্মিলা ফোর চেঞ্জনা থোকপা চেরোলনা হায়রি।

চেরোল অসিনা হায়, হীরম অসিগী মতাংদা য়াম্না কুপ্না খন্ন-নৈনরবা মতুংদা ফিরেপ অসি লৌরকপনি। কুমজা ১৯৪৮দা মণিপুরগী অহানবা এসেমব্লি ফমখিবা পুৱারী ওইবা নুমিৎ অসিদা পোলিটিকেল পার্টি অসি শেম্নবগী লাউথোক্লবা থৌরাং তৌরি। পার্টি অসি শেম্লকপসিনা মণিপুরদা দেমোক্রেসিগী চপ চাবা মওং লাক্কনি হায়বগী থাজবা থল্লি।

ইরোম শর্মিলা চনু দিল্লি অমদি অতৈ ষ্টেটশিংদা চত্তুনা লৈবাক অসিগী মশক নাইরবা পোলিটিকেল পার্টি কয়াগী লূচিংবশিং উনদুনা ৱারী শানবা লৈখ্রে। মখোয়গী মনুংদা আম আদ্মী পার্টি (এ এ পি)গী লূচিংবসু ওইরিবা দিল্লিগী চীফ মিনিষ্টর আর্বিন কেজ্রিৱালগসু উনখিবা লৈখ্রে।

অমরোমদা, শর্মিলানা শেমগদৌরিবা লোকল পার্টি অসি থারগা লাক্লিবা ১১শুবা মণিপুর লেজিসলেটিব এসেমব্লিগী মীখলগী মাঙ ওইননা শেম্বা লোকল পার্টি পুন্না মরি শুরগনি। পোলিটিকেল পার্টিশিং অদুদি চহীসিগী ফেব্রুৱারী ১৯দা শেমখিবা কুকি নেসনল কোংগ্রেস, চহীসিগী ওগষ্ট ২৫দা শেমখিবা মণিপুর নেসনল দেমোক্রেটিক ফ্রন্ট অমদি চহীসিগী সেপ্টেম্বর ৩দা শেমখিবা মীয়ামগী থৌগল্লোয় মণিপুরনি। কুকি নেসনল কোংগ্রেস অসি চুড়াচান্দপুরদা বেজ তৌবা পোলিটিকেল পার্টিনি। মণিপুর নেসনল ...

মখা লামায় ৩ কলম ৪

# পুলিস ইন্সপেক্টর ৪৯ ফম হোংদোক হোংজিন তৌখ্রে

ইম্ফাল, ওক্টোবর ১০ (ঐচএনএস): মীখলগা মরী লৈননা লৌখৎলকপা পুলিস দিপার্টমেন্টকী থবক মতুং ইন্না ঙসি নুমিদাং অথেংবদা থোকখিবা দিরেক্টর জেনরেল ওফ পুলিসকী য়াথং মতুং ইন্না পুলিস ইন্সপেক্টর ৪৯গী মফম হোংদোক হোংজিন তৌখ্রে।

ওর্দর অসিগী মতুং ইন্না আর কে তেজবিরনা থৌবাল পুলিস ষ্টেসনগী ও সী ওইরগনি, থৌবাল ও সী ওইরম্বা টি ইনাওবীনা সী এ আর (থৌবাল), নৌনা প্রমোসন পীরবা এম মাইপাক সিংহ ও সী মচি, নৌনা প্রমোসন পীখ্রবা দি কে অঙ্গুনা তেংনৌপল পি এসকী ও সী, তেংনৌপল পি এসকী ও সী কেঐচ দিলিপনা সী এ আর (চান্দেল), ইন্সপেক্টর এন জি এন্থোনি সুরেশনা ও সী পল্লেল ওইরগনি।

পল্লেল ও সী একে প্রেমজিৎনা সী এ আর (ইম্ফাল ইষ্ট), ইন্সপেক্টর এস নন্দবাবু শর্ম্মনা ও সী ককচীং, ইন্সপেক্টর টি মৈনোনা সী এ আর (বিষ্ণুপুর) ওইরগা এস পিগী আর ও ওইনা থবক তৌগনি। এম খোগেননা ও সী ময়াং ইম্ফাল, আর কে অনিলকুমারনা বিষ্ণুপুরগী ও সী, বি ঋশিকেশনা সী এ আর বিষ্ণুপুর, ও ইবোতোননা ও সী পাৎশোই, এল খোগেননা ও সী নম্বোল, নৌনা প্রমোসন কাখিবা সোরাম খোম্বনা ও সী অন্দ্রো, এম দি রিয়াজুদ্দিননা সী এ আর ...

মখা লামায় ৩ কলম ২

# মীতোপ্তা লমগী মপু ওইহল্লোই হায়বসি পার্টি অমদা চঙবগী এজেন্দা ওইগনি : বিরেন

ইম্ফাল, ওক্টোবর ১০ (ঐচএনএস): মীতোপ্তা লমগী মপু ওইহল্লোই হায়বগী চপ চাবা থাজবা পীবনা পার্টি অমদা চঙবগী এজেন্দা ওইগনি হায়না কোংগ্রেসতগী তোকখ্রবা এক্স এম এল এ নোংথোম্বম বিরেননা মীয়ামদা ফোঙদোকখ্রে।




প্রোগ্রেসিব পিপল ওফ য়াইস্কুল, ইম্ফালনা শীন্দুনা ঙসি সৌগাইজম কম্যুনিটি হোলদা মহাকপু তরাম্না ওকপগী থৌরমদা ৱা ঙাঙলদুনা হায়খি, চীংগী লমদি হৌজিক লৈবাক অসিগী লোনা ঙাক শেল্লগা থল্লি। অদুবু তম্পাক্কী লমদি ঙসি ফাওবা ঙাক শেন্নবা লো অমত্তা শেমদে। মরম অদুনা লো অসি শেম্নবগীদমক ইন্দিয়াগী পার্লিয়ামেন্ট বিল পুথোক্লগা চৎনহনবা ঙম্বা পার্টি অদুদা মহাক চঙগনি।

মণিপুরদা লৈরগা মণিপুরীগী মায়োক্তা ৱা ঙাঙবা মীওই কয়ামরুম থোরক্লিবসি সস্পেন্সন ওফ ওপরেসন তৌনরিবা অমসুং সিজ ফায়র চৎনরিবা কাঙবুনা থোকহনবনি। চুড়াচান্দপুর থোক্লিবা থৌদোক ৱাথোকশিং খুৎলাই পায়বা কাঙবু অমনা ইনশিল্লগা তৌবনি। মীয়ামদগী নমদুনা শেল খাইবা কাঙবু ফারবা ফাওবা ফাবা য়ারোই হায়দুনা থাদোক্লিবনি। অসিগুম্বা ফীভম অসিদা পোলিটিকেল সোল্যুসন পুরকপা হায়বসি অরুবা ওইগনি।

মহাক্না মখা তানা হায়খি, চীংগী এম এল এ অমত্তা চীংদা চৎলগা কেম্পেন তৌবা ঙমদ্রিবসিগী মরম চীংদা লৈঙাক লৈতবদগীনি। চীংগী মফমশিং চাউখৎনবা থবক তৌবদা মফমদুগী মওং মতৌ য়েংলগা শেল থাদবা মথৌ তাগনি। তম্পাক্তা লুপা লাখ ১০ থাদবদা চীংদা লাখ ৫০ থাদদবা য়ারোই। চীং-তম অমত্তনি হায়বসি ঐখোয়গী খোল্লাউনি। খোল্লাউ অসিগী মায়োক্তা লৈবশিংগী মথক্তা থবক লৌখৎনবা লৈঙাক্না হোৎনদে। চান্দেলদা লালহৌবগী ইন্দিপেন্দেন্ট দে পাঙথোকহল্লি। উখ্রুলদা পুলিস কম্মান্দো থম্বা ঙমদে।

মহাক্না পোলিটিকেল পার্টি অমদা য়াওবদা থমগদবা কন্দিসন খরগী মতাংদা পল্লদুনা মহাক্না হায়খি, নেসনল হায়ৱেশিং ঙাক শেন্নবা মতম চুপ্পগী ওইনা দেদিকেটেদ হায়ৱে প্রোটেক্সন...

মখা লামায় ৩ কলম ১




HL-B/3286/31,2,4,6,10